হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, মে ২৪, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৫৮শুবা মশীং

# কোভিদকী মৈচ্রেংলক্তা ম্যুকোরমাইকোসিস

## পোরিঙৈদা অমুক পম্মু হায়রকপনি চেকশিনহৌসি

কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভকী চৈথেংসি খ্বাইদগী হেন্না লূমশিল্লক্লে। পুবা থাংবা ঙমশিল্লক্ত্রে। গভর্ণমেন্টনা অৰৈবা পান্থে পুথোক্তুনা সী এস ওশিংগা খূৎশম্নদুনা হোৎনরি। থমজিনবা য়াবা অথিংবশিং থল্লি। মরন্নাই হোম আইসোলেসন তৌহনবদা ইফেক্টিভ ওইরক্ত্রে হায়দুনা কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টরশিং ফাওবা হাংদোক্লে। কোভিদ ক্যের সেন্টরশিং মশীং য়ামখৎহল্লে। হোস্পিটালশিংদা কোভিদ পেসেন্টশিংগী ফমুং মশীং হেঙ্গৎহল্লে। মথৌ তাবা মেনপৱরগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা ডাক্টর, নর্স, কোভিদ ৱারিয়রশিং লৌশিন্দুনা এনগেজ তৌরে। ওক্সিজেন প্লান্টশিং লেপ্তুনা লিংখৎলক্লে। মপান্দগী দি অমসুং বি টাইপকী ওক্সিজেন সিলিন্দর, কন্সেন্ত্রেটরশিং লেপ্তুনা লৈশিল্লি। ভেক্সিনেসনগী থবকসু নোংমদা সেন্টর অমদা মীওই ১০০দগী হেন্না হীদাক কাপ্লোই হায়রম্বদগী ১৫০দা হেঙ্গৎহল্লকপনসু য়ারক্তবদগী ভেক্সিনেসন সেন্টর অমদা কাপথোক্লবা হীদাক অমসুং মেন পৱার লৈরিবমখৈ লেপ্তুনা কাপথোক্লগনি হায়বগী ফিরেপ লৌরক্লে। কর্ফিয়ু অমসুং কন্টেনমেন্ট জোনগী অথিংবা থুগাইরকপা, লৈঙাক্লা পীবা এস ও পিশিং ঙাক্তবশিং ফাগৎতুনা ৱারক ৱাতেল্লি, ফাইন থিহল্লি। ইশম শম্বদা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ মায়োক্লনবা হোৎনরকপদা পাৎলিঙৈদদি হয়িংদা ফাওবা নোল্লু হায়বদুদগী হেন্দোরক্তুনা লৈজবা পাঙ্গল, লৌশিং, পান্থে পূন্নমক পুথোক্তুনা হোৎনরে। খোংবাল্লাই তিনখাক ফাওবা খুরুম্লে হায়বদু য়ৌরে। অদুবু মে ২২, ২০২১ খক্তংগী ওইনা নুমিৎসিদা পোজিটিভ কেসকী মশীং খ্বাইদগী য়াম্না হেনগৎলক্তুনা ৭৫৭ থেংনখ্রে। হায়রিবা মশীংসি থারগা নুমিৎসি ফাওবদা মণিপুরগী পোজিটিভ কেস মশীং ৪৩,৩২২ শুখ্রে। মসিগী মনুংদগী ফগৎলকপগী মশীংনা নুমিৎসি ফাওবগী ওইনা মীওই ৩৬,২৫৮ ওইরগা এক্টিভ কেসকী মশীংনা ৬,৩৯০ য়ৌশিল্লকখ্রে। লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ৬৭৪ শুরকখ্রে।

থৌওংসিদি মীওইবগী পুন্সিশিং হিংথৎ-হিংথৎ থৎতুনা পুখিবা ঙল্লিবা শাথীরবা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভকী চৈথেং মৈশা ষ্টেটসিগী মীয়ামগা অদুম্মক শাগোন্নরি হায়বনি। হোৎনবা য়াবদি হোৎনরি। অদুবু হোৎনজমনগী কান্নবদুদি ফংবা ঙমদ্রি হায়বনি। অসিগুম্বা মীচম মীয়ামগী শিবা চংবগী লংদাইসিদা লেপ্লিঙৈগী চৈরকসিদা ম্যুকোরমাইকোসিস হায়না খঙনবা ফঙ্গল ইনফেক্সনগী লায়না লাইচৎ অমমুক মীওইবা খুন্নাইদা মায়োক্লুহল্লক্লিবা অসিদি নিংঙাই ফৎখিদ্রবা কপ্লিবা অঙাং অমা থেমদুনা তূমহন্নবা নঙ্গলদা পোরিবা অদুগী মথক্তা অমুক পমলো হায়দুনা ৱান্থ-ৱান্থ কপ্লকপগুম্বনি। ময়াম্ন সু ব্লেক অমসুং হ্বাইট ফঙ্গস হায়দুনসু খঙনরক্লবা ম্যুকোরমাইকোসিসকী লায়নাসিগী মায়োক্তা চেকশিনবা য়াবা অকনবা চেকশিন থৌরাং মাঙজৌননা লৌখৎতুনা মসিমসু অমুক মায়োক্নরক্তনবা হোৎনহৌবা চুমগনি। ব্লেক ফঙ্গসকী খুদোংথিবশিং কর্ণাটকা, উত্তরখণ্ড, মধ্য প্রদেশ, অন্ধ্র প্রদেশ, টেলঙ্গনা, হরয়ানা অমসুং বিহারদা থেংনবদগী অসাম য়ৌশিল্লকখ্রে। হ্বাইট ফঙ্গসকী কেসশিং পটনাগী মফম খরদা থেংনখ্রে। অদুনা অনৌবা চৈথেংসি লাপ্লি-তাল্লি য়ৌরকখিরোই হায়দুনা লৈথোকপা চুল্লোই। হোৎনদে হায়বা নত্তে, মে ২২, ২০২১দা হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টরনা নোটিফিকেসন অমা থোকখ্রে। ম্যুকোরমাইকোসিস হায়রিবা ফঙ্গল ইনফেক্সন অসি ইপিদেমিক দিজিজেজ এক্ট, ১৮৯৭কী প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না মণিপুরদসু নোটিফাইএবল দিজিজ অমনি হায়দুনা লাউথোকখ্রে। অনৌবা লায়না লাইচৎসিগী মতাংদা মে ১৯, ২০২১দা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের অমসুং ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিছর্সনা পীরকখিবা লায়নাসিগী স্ক্রিনিং, দাইগ্নোসিস অমসুং মেনেজমেন্টকী মতাংদা পীরকখিবা গাইদলাইনশিং ঙাক্লা চৎননবা খঙহনখ্রে। গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রাইভেট হোস্পিটালশিংগী মেদিকেল সুপরন্টেন্দেন্টশিংদা চেকশিন ৱা হায়খ্রে। হেল্থ সর্ভিসেসকী মায়কৈদগী নমথোল্লবা ফোর্মেট অমা ফাওবা পীদুনা লায়নাসিগী মতাংদা নুমিৎ খুদিংগী রিপোর্ট পীখৎলক্নবা ইন্সত্রক্সন ফাওবা পীখ্রে। অফবা খোঙথাংনি। মণিপুরগী মীয়াম্বু অনৌবা তমথীরবা লায়নাসিদগী কলহৌনবগীদমক লৌখৎলকপা থবক থৌরমশিংনি, য়াম্না ফৈ। অদুবু হৌজিক লায়নাসিনা চীংলোন মাপলগী ৱাংলবা পল নমথেক্তুনা ষ্টেটসিদা লানশিল্লক্ত্রিঙৈসিদা তঙাইফদনা তৌহৌগদবা থবকশিংদি থাংলক্লিবা খোঙথাং অসিখক্তা নত্তে। ম্যুকোরমাইকোসিস হায়বসি মতৌ করম্না নাহল্লকপনো? লায়নাসিনা মীওইবা অমগী হকচাংদা মতৌ করম্না চঙলকপগে? চংলক্তুনা নাহল্লক্লে হায়বসিনা মসিনা শোকহল্লক্লবা হকচাংগী পার্টশিং অদু লৌথোক্তবা য়ারক্তবা মতমদতা খঙগদ্রা? ষ্টেটসিগী মীয়াম্না মসিবু মায়োক্লহন্দনবা করি করম্বা চেকশিন থৌরাংশিং মাঙজৌননা লৌখৎকদগে? লায়নাসি কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংখক্তদা নাহনব্রা? নারক্লগনা মীওইদুগী থৱায় কন্ননবা করি থবকশিং লৌখৎখদগে হায়বদুগী মতাংদসু লৈঙাক্কী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী পন্থদনা 'হেল্থ এদভাইজরি নোট' অমা থোকফম থোকই। লমদমসিগী মীয়াম পূন্নমক এৱ্যেনেস পীহৌফম থোকই হায়নীংই। হান্নদগী মায়োক্লরক্তবনা ষ্টেট হেল্থ এক্সপার্টশিংদা মসিগী মতাংদা মপূং ফাবা নোলেজ লৈত্রগসু হৌজিক লায়নাসিবু মায়োক্লরবা ষ্টেটশিংদগী মথৌ তাবা রিফরেন্সশিং লৌহৌদুনা খঙজিনবা কান্নগনি। মীয়ামদা নোটিফাইএবল দিজিজ অমা ওইরে হায়দুনা লাউথোরক্লিবা অসিবুদি য়াম্না ফৈ। অদুবু লায়নাসিগী মতাংদদি অহানবা খোঙথাংসি খক্তনা পেন্থোকপা অমসুং তুং কোইবা য়ারোই। মীয়াম পূন্নমক ৱাখল তামিন্নহৌগদবনি। অনৌবা লায়নাসিগী মতাংদদি কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভকী অসুম্মাইনা অয়ো নাহেরল্লবা মতমদতা থাঙ থাবগী থৌদৌসি থোকহল্লগুমসি। লায়নাসিসু পুন্সি মাঙহনবা ঙম্বা লায়নানি। মসিদি খোংলগা খঙগনি হায়দুনা লৈথোকপা য়ারোই হায়নীংই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৮

১) চহী য়াঙ্খ্রেগী মমাঙদা অহানবা ওইনা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম উৎখিবদু করম্বা চহীগী করি থাগী তাং কয়াদনো?

২) "দাদা সাহেব ফালকে ভারত সিনেমাগী অপোকপা" হায়বা মণিপুরীদা হন্দোকপা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু করি লোলদা কনানা ইবনো?

৩) অহানবা মণিপুরী ফিচর ফিল্মনি লৌনরিবা "মতমগী মণিপুর" হায়বা ফিল্মসিগী অয়াম্বা শরুক কদায়দা সেট শারগা নমখিবগে?

৪) John Warrington হায়বা BBC গী Correspondent অমনা মণিপুরী ফিল্ম অমবু "সেল্লুলোইদতা ইবা শৈরেং" (Poem on Celluloid) হায়না শীংথাখি। ফিল্মদু করি ফিল্মনো?

৫) "লাইরিক লাইশু কুমজা সাহিত্য-ইতিহাস" হায়বসি কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩১, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৌমীশিংগী কাখল

## তীল ফাননবা লাং শেম্বা (কোভিদ-১৯ মনুংদা)

**ডো. এম থোইথোই সিংহ**

ৱারে! ৱাবা য়াবা ৱারে লৌমীশিং। লায়না তীলনানা শোকহল্লবা পান্বীশিংবু কন্ননবা হীদাক লৈবা ফংদে। হীদাক য়োনফম থোঙ হাংবগী অয়াবা পীদ্রি। লায়না তীলনানা মাঙহনখ্রবা মতুংদা খরা লৈহৌবদুসু য়োন্নীংবা মফমদা য়োনবা ঙমদে।

অদুবু লৌউ বিজ্ঞান্না চাওখৎলকপগা লোয়ননা পান্বীশিংবু মাঙহল্লিবা তীলশিং ফাদোক্লবা অমসুং হাত্তোক্লবা মখল মখা কয়াগী লাং লৈরে। শেল ইচং চঙদনা শেম শাবদা ৱাদবা মখল কয়াগী লাংশিং শীজিন্নবনা হীদাক্কী ময়াক য়াওদবা পোত্থোক পুথোকপদা নত্তনা অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎসু মোৎহন্দে। তীল ফাদোক্লবা লাং কয়াসু য়োল্লি লুপা ৭০ পীবদগী লুপা লিশীং তরাগী মথক্তা পীবা লাং ফাওবা শীজিন্নরি। অদুবু শেল ইচং চঙদনা শাজবা য়াবা লাং কয়া অমসু লৈরি। তীলগী লাং অয়াম্বা মনম, মঙাল অমসুং মচুনা তীলশিংবু কৌশিল্লগা ফাদোকপা অমসুং হাত্তোকপগী থবক তৌই।



**মচুনা ফাদোকপা :** মখল কয়াগী তীলশিং মচু মখল কয়াদা পাইশিল্লি। হঙ্গাম মপাল মচু, অতিয়া মচু অমসুং অঙৌবা মচুদা পাইশিনগনবা তীল মখল কয়া লৈ। নাপু-হঙ্গাম মপাল মচুনা হ্বাইট ফ্লাই হায়না খঙনবা ভাইরস লায়না শন্দোকপা তীলসি ফাদোকপা ঙম্বদা নত্তনা কালেনগী এঙ্গাং-নাপি কয়াদা তারিবা মনাদা মরী-মরী চৎপী তীল হায়না খঙনবা লিফ মাইনরবুসু ফাদোকপা ঙম্মী।

হঙ্গাম থারিবা লৌফমশিংদা তাবা ৱাহিক কয়াবু নপ-নপ লাওবা হঙ্গাম মপান মচুগী লাং শীজিন্নদুনা ফাদোকপা য়াই। মসিগীদমক য়েল্লো প্লেট হায়না খঙনবা লাং কয়া অমা কৈথেলদা য়োল্লি। মসি নৎত্রগসু অচাথাও হাপ্লকপা হঙ্গাম মপাল মচুগী বোট্টলশিংদু মপান থংবা শরুক্তা গ্রীজ তৈশিল্লগা মনুংদা চৈ অমা থিংজিল্লগা ফুট ২০-৩০ কান্ন-কান্ননা য়ুংগনি। পান্বীগী মশাদগী ইঞ্চি তরুকমুক হেন্না ৱাংখৎহনগনি; পান্বীদা থেংহল্লোই। তীল য়াম্না নপমনবদগী মখা তানা নপ্লিংঙাই মফম লৈত্রবদি চামথোল্লগা অমুক হন্না গ্রীজ তৈশিনগনি। স্কৱার মিটর ৩০০ খুদিংদা লাং মখলসি অহুম-মরি ফাওবা শীজিন্নগনি। কৈথেলদা য়োল্লিবা য়েল্লো প্লেটতি মায়কৈ অনীখক্তদগী তীল পাইশিল্লক্কনি অদুবু লিটর অহুম-মঙা ফাওবা চল্লিবা বোট্টলদুদি মায়কৈ খুদিংদগী উবনিনা মায়কৈ খুদিংদগী তীল পাইশিল্লক্কনি।

নাকল অমরোমদা, অতিয়া মচু অমসুং অঙৌবা মচুনা থ্রীপস হায়না খঙনবা মহি চুপ্পী তীল কয়াবু চিংশিনবা ঙম্মী। তীলহৌ, খামেন অশিনবা, মোরোক, খামেননচিংবা পান্বী কয়াদা তারিবা তীলসি অতিয়া মচু অমসুং অঙৌবা মচুদা গ্রীজ তৈশিল্লগা পান্বী মনাক্তা য়ুংদুনা ফাদোকপা য়াই। শেম শাবগী মওংদি য়েল্লো প্লেট/বোট্টল শেম্বগা চপ মান্নে। বোট্টল অমসুং প্লেটকী মচু খেন্নব-খকনি।

মনম শীজিন্নদুনা তীল ফাদোকপা : উহৈ মনুং হুৎপী অমসুং হয়িং/তীল ফাদোকপা - মিনরেল ৱাটর বোট্টল অমা লৌবীরগা শরুক হুম থোক্লা হল্লগা মথক থংবা শরুক্তু ককথৎলগা লেমহৌরিবা শরুক্তুদা মথক মখা ওন্ননা হাপচিল্লগা লুগী মওংদা শেমগনি। মনুংদা মহি থোক্লা মুল্লবা পৎলবা উহৈ হাপচিনগনি। বোট্টল মপান (মর্জিন) দা চিনি নৎত্রগা খোইহি খরা তৈশিল্লগা থম্বদা কান্নগনি খনবা মফমশিংদা থমগনি। হয়িং নৎত্রগা উহৈ হুৎপী তীলশিংদু বোট্টলগী মপান্দা তোংলম্লগা মনুংদা চঙখিগনি অমসুং অমুক হন্না থোরক্লরোই।

শেল খরা হেন্না চঙবা হীদাক শীজিন্নগে হায়রগনা বোট্টল মনুংদা করিসু হাপ্তবা অমসুং মথক খরা চৎখৎলগা মায়কৈ অহুমদা ইঞ্চি অমমম লাওনা হুৎলবা মতুংদা বোট্টল মনুংদা লুপা ৬৫ পীবা Melon fly lure অমমম হাপ্লগা খোঙদ্রুম, মাইরেন, শেবোৎ, কারোট, তর্ব্বুজ, থবী, কারোট অখাবী, মোরোক, কেপসিকমনচিংবা হন চঙহনদবা য়াই। পুমহনদে। শঙম অমা চাউবা লৌফমদা মরিখক চঙগনি। থা অনী চৎকনি। মতুংদা অমুক Lure দু শিন্দোকপা য়াই; মথৌ তারবদি।

লফোই, কোমলা, পুংথোন, হৈনৌ, চমপ্রানচিংবদা মনুংদা হন চঙদনবা মথক্কা চপ মান্নবা মওংদা Fruit fly lure হাপ্লগা তীল মপীশিং ফাদোকপা য়াই। শঙম অমা চাওবা মফমদা লাং মরি চঙগনি। অমমমদা লুপা ৫০ খক পী। শেল চঙদে। ঙহাক লৈতনা ঈশিং য়াওরিব্রা? য়াওদব্রা? হায়না য়েংবগীসু মথৌ তাররোই।

খামেনগী মতোন খুইথবী মহৈ মনুংদা তীল চঙবা মশা কংহনবনচিংবা তৌরিবা তীল মপি (লাবশিং) ফাদোক্লবা Brinjal lure শীজিন্নরগা য়ারে। অরাইবা মওংদা তীলশিং ফাদোকপা তীল হীদাক কাপ্তবা হায়বসি নৌরিবা অঙাংশিংনা উজবদসু কান্নরনি। শীজিন্নরিবা সাইন্সতু কোভিদনা মরম ওইরগা স্কুল চৎত্রবা য়ূমদা মতম লেল্লিবা অঙাংশিংনসু তম্বা ফংজরনি।

মসিদা নত্তনা ঙসি ঙসিমক কোবীদা তারিবা ফৌজুম মানবা Diamond back moth না মনাশিং মহুৎ-মহুৎ হুৎপা ময়োন চাথোল্লিবসি DBM Lure শীজিন্নদুনা ফাদোকপা য়াই। অসিগুম্বা লাং থাকপদা মতাই থংবা পান্বী মনাক্তা কৈদৌঙৈদা থমদবা ফৈ। মতাই থংবা শরুক্তগী ফুট ১০দি চঙশিল্লগা য়ুংবা হৌগনি (স্পেস লৈরবদি)। পান্বীগী মতোনথংবা শরুক্তগীসু কা হেন্না ৱাংহন্দনবা হেৎনগনি। য়ারিবমখৈ নক্লহনগনি অদুবু পান্বীগী মশাগদি কৈদৌঙৈদা থেংনহল্লোই। নুংশিৎ শীৎপদগী হাই হুম্বা মতমদসু পান্বীগী মনাশিংনা থেংদনবা হোৎনগনি।

ফুটখাই অমদগী তাদনা পাকপা অমনবা য়ুদবা বালটিন, খুদেং, টব, কৌতানচিংবদা ঈশিং হাপ্লগা ঈশিংগী লাং শেম্বসু য়াই। ঈশিংদা ইরাক্লবা য়াবা মওংদা ঈশিং হাপকনি। ঈশিংগী চাং ইঞ্চি অনী ফাওবা থমগনি। ঈশিংগী মথক্তা পাত্রগী ফিবান্দা ইঞ্চি অমখক খাকহৌগনি। ঈশিংদা সাপোন মকুপ খরা নৎত্রগা থাউ মরীক খরা থাদদুনা থমগনি। মসিনা ইরাক্লরবা তীলশিং কাখৎপা ঙমহন্দে। শীজিন্নরিবা পাত্রগী মচুগী কান্নবসু মথক্কী অসুম্না লৌগনি। মসিনা হৱাই মখলশিংদা তারিবা কাংচেক তীলশিং ফাদোকপদা মতেং পাংবদা নত্তনা থ্রীপস অমসুং মনাদা মরী মরী চৎপী তীলশিং ফাদোকপদা মতেং পাংই। তীল তাবা হন্থহনবদা হীদাক নৎত্রবসু মখল কয়াগী থৌরমশিং লৈ হায়বা ৱাফমসি কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা স্কুল থিংজিনখিবদগী স্কুল চৎপা ফংদনা য়ূমদা লৈরিবা অঙাংশিংবুসু খঙহনসি। টেক্নোলোজি ওন্থোল্লবা সাইন্সতু অঙাংশিংবুসু খঙহনসি। ●

## লৈবাক লৈহাওগী মরু ওইবা মচাকশিং অমসুং থৌদাং খরা

**- এস সুমঙ্গল -**

লৈবাক লৈহাওশিং হায়রগে মরমদি ময়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। মফম অমগা অমগা লৈবাক লৈশা মান্নদে, মগুন মান্নদে অদুনা মতুংদা লৈবাক লৈহাও অমা হায়না শীজিন্নরকপদা তোঙান তোঙানবা মখল লৈ হায়বসি নীংশিংবীয়ু। মখোয়গী মরমদা মখোয়শিং করম্না শেম শাগদগে হায়বদু মখাদা লাক্লিবা নৈনবা অসিদগী খঙজিন্নবা হোৎনসি। মখলশিং অসিগী মগুনশিংবু মমুৎ তানা মুন্না খঙবা হায়বসি লৌউ-শিংউ তৌরিবা খুদিংমক্কী তঙাইফদবা অমনি হায়না থমজনীংই।

লৈবাক লৈহাও (সোইল) করিনো হায়না নৈনবদা অরায়বা পাউখুম অমা থম্বা তারগদি সোইল হায়বসি মপং, মহী, মনীল অহুম্না পূন্না শেম্বা ফেজ নাইবা সিষ্টম অমনি হায়না থম্বা য়াই। মখা তানা মখোয় অহুম্বু শন্দোক্লা অসুম্না থম্বা য়াই। মপং অসিদা য়াওরিবসি মিনরেলগী ওইবা মচাকশিং, শা-ঙা, পান্বী, উ-ৱা, নাপি-শিংগী পত্থ-পুমথরবা মচাকশিং (ওর্গানিক মেটর), অহিংবা হিংকুপশিং অমদি অতোপ্পা থৱায় পানবশিং; মহিনা ঈশিং মনিল/ঈশিং; মনীলনা নুংশিৎ/গ্যাস অসিনি। অফবা সোইল অমদা হায়রিবা মচল অহুম অসি চাং চানা লৈফম থোকপা চাং অমদা লৈবা মতমদা পান্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙমগনি। অমরোমদা মচলশিং অসি মরি থোক্লসু - মিনরেল মেটর, ওর্গানিক মেটর, ঈশিং অমসুং নুংশিৎ হায়না থম্বা য়াই। সোইল অমগী অপূনবা ভোল্যুমগী চাদা থমজরিবা মচল মরিগী চাং অসি কয়া-কয়া য়াম্না য়াওবগে হায়বা অদুনা সোইল অদুগী অফ-ফত্ত মগুন, পান্বী নিংথিনা হৌবা ঙম্বা ঙমদবা অদু লেপ্পী। সোইল অমদা মচল মরি অসি য়ানশিন্নদুনা শেম্বগী মওংদি য়াম্নমক লায়না লৈতে অদুবু পান্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙম্বা ফোলি তাবা লৈবাক লৈহাও অমগী নিংথিনা চাং চাবা ফীভমদা লৈবা মতমদা চাওরাক্লা মখোয়গী চাং অসি অপূনবা ভোল্যুমগী চাদা অসুম্না থম্বা য়াই। মিনরেল মেটর - ৪৫%, নুংশিৎ - ২০-৩০%, ঈশিং - ২০-৩০%, ওর্গানিক মেটর - ৫%। সোইল অমগী শরুক খুবাম অমা মতুম ওইনা লৌখৎপা মতমদা ঐখোয়না মতুম তাবা মপং ওইনা উবদি য়াই অদুবু মদুদা য়াওরিবসি শরুক তঙ্খাই অমদি মপংনি (মিনরেল অমসুং ওর্গানিক মেটর) অদুগা শরুক তঙ্খাই অমনা অহাঙবা চাউবা মান্নদবা মখুন (অহোবা/অহাঙবা) কয়াগী শরুকনি। মসিবু ঈশিং অমসুং নুংশিৎনা চাওরাক্লা তঙ্খাই তঙ্খাই মেনশিন্দুনা য়াওরিবনি। অপূনবা অদুগীনা ৫% খক্লা ওর্গানিক মেটরনি। অদুবু য়ামখিদ্রবা শরুক অসিখক্কী থৌদাংদি য়াম্নমক চাওই। মসিগা লোয়ননা লৈবাক লৈহাও অমদা য়াওরিবা অহাঙবা অহোবা শরুক অসিগীসু চাউরবা থৌদাং লৈরিবনি। অহাঙবা অহোবা অসিদনি য়াম্নমক মরু ওইরিবা ঈশিং অমসুং নুংশিৎকী তুংশিন্নফম ওইদুনা পান্বীগী তঙাইফদবা মচিঞ্জাক মচল ঈশিংদা তুমহন্দুনা পীগদৌরিবসি। লোয়ননা নুংশিৎ ফংহন্দুনা পান্বীগী মরানা শ্বর হোনবা ঙমহনগদৌরিবনি। পান্বীগী মরানা মাগী মনাক্তা লৈবা ঈশিংদা তুল্লবা মচিঞ্জাকখক্তমক চুপখৎপা ঙম্মী।

**মিনরেল মেটর :** সোইল অমদা খরা চাওবা নূং, নূংকুপ, লৈঙোই অদুমক য়াওবা থেংনৈ, অদুবু খরা তোয়না শীজিন্নরবা/ফরবা লৈবাক লৈহাও অয়াম্বদা য়াওরিবসি - লৈঙোই, খরা হেন্না কূপ্পা সিল্ট কৌবা অমগা য়াম্নমক কূপ্পা লৈতানগী মচাক্কী শরুকশিংনি। লৈঙোইদি অমগা অমগা কৈদৌনুংদা নপশিন্নদে, মচা প্রোপ প্রোপ তাই, সিল্ট য়াম্না কূপ্লবসু অমগা অমগা নপশিন্নদে, অদুবু লৈতানগী শরুক্তি অমগা অমগা নপশিন্ননবা হোৎনৈ নপশিন্নে। মখোয় অহুম অসি পূন্না মাগী মাগী য়াওবগী চাং মতুংইন্না লৈতান্না নম্বনা লৈতানলম, লৈঙোইনা নম্বনা লৈঙোইলম, সিল্টনা নম্বনা ফোলি তাবা লম হায়না খাইদোকনৈ। মখোয় অহুম্না কয়া-কয়া য়াম্না য়াওই হায়বগী চাং অদুবুনা সোইল টেক্সর হায়না খঙনৈ। টেক্সরনা লৈবাক অমগী অফ-ফত্ত মগুন অয়াম্বা লেপ্পে। অদুগা মখোয় অহুম্না সোইল অমদা করম্বা মওংদা শিন্দোক্তুনা য়ানশিন্নবগে/লৈবগে হায়বা অদুবুনা সোইল ষ্ট্রকচর হায়নরিবা অদুনি। টেক্সর অমদি ষ্ট্রকচর অনীমক পান্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙম্বা-ঙমদবদা য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং লৌই।

**ওর্গানিক মেটর :** অচৌবা হিংলিবা থৱায় পানবশিং, মীৎনা উবা ঙমদবা হিংকুপশিং য়াওনা মখোয়গী অশিবা হকচাং, মখোয়গী পত্থ-পুমথরবা শরুকশিং, নাপি-শিংনা, উপাল-ৱাপাল কয়াগী পত্থ-পুমথরবা শরুকশিং খুদিংমক্লা পুল্লগা সোইল অমগী ওর্গানিক মেটরগী শরুক শেম্মী। অহিংবশিংনা শিরবা মতুং হিংকুপশিংনা পত্থ-পুমথহন্দুনা অতোপ্পা মচল কয়া শেল্লকই। মমৈথংদা মখোয়না শ্বর হোনবদা কার্বোনদাইওক্সাইদ ওইনা নুংশিৎতা অমুক তিনখি। অসুম্না অসুম মাঙখিবা মরম্না তত্তনা/লেপ্তুনা ওর্গানিক মেটর লৈবাক্তা হাপচিনবা মথৌ তারকই।

ওর্গানিক মেটরনা মিনরেল মেটরশিংবু ফাজিন্নদুনা মতুম-মতুম তাবা ষ্ট্রকচর শেমদুনা, শেম শাবদা, শুবদা নুংঙাইবা পান্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙম্বা লৈবাক ওইহল্লি, লোয়ননা মখোয়না পত্থরবা মতুংদা মখোয়দা য়াওরম্বা পান্বীগী মচিঞ্জাক মরু ওইনা ফোসফোরস, সলফর অমসুং নাইট্রোজেন পান্বীদা ফংহল্লিবনি। ওর্গানিক মেটরবু কান্নরবা হিংকুপশিংনা তুমহনবা/থুগাইবা (দিকম্পোজ) মতমদা শীজিন্ননবা মখোয়গী এনর্জি অমসুং কার্বোনগী শরুকসু ওর্গানিক মেটরনা পীরিবনি হায়বদি মচিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নরিবনি। অসিদসু নত্তনা ওর্গানিক মেটরনা লৈবাক্তা ঈশিং ফাজিনবগী চাং হেনগৎহল্লি, লোয়ননা পান্বীদা মতম শাংনা ঈশিং ফংহল্লি। লৈবাক লৈহাওগী মৈশা চাং অমদা থম্বদসু থৌদাং য়ারিবনি। ওর্গানিক মেটর লৈরমদ্রবদি অকোয়বগী ইকো সিষ্টমশিংগী মথৌশিং অসি চপ লেপখিরম্বসু য়াই। লৈবাক অমদা ওর্গানিক মেটরগী শরুক অসি য়াম্না য়ামদ্রবসু লৈতানগী শরুকনা পান্বীগী মচিঞ্জাক অমসুং ঈশিং ফাজিন্দুনা পীবদগীদি ওর্গানিক মেটরনা পীবনা শরুক য়াম্না হেল্লি। মরম অদুননি ওর্গানিক মেটর য়াওদ্রবদি লৈবাকশিং অসি লৈকংলা ওইখিবা য়াই হায়নরিবসি।

**লৈবাক লৈহাওগী ঈশিং :** ১) লৈবাক মনুংদা লৈরিবা অহোবশিংদা য়াওরিবা ঈশিংগী চাং অমসুং অহোবশিংগী চাওবা-পিকপগী মতুংইন্না তোঙান-তোঙানবা ফাজিনবা ঙম্বগী চাং খেন্ননা ঈশিংশিং য়াওদুনা লৈ। পাত্র অমদা হাপ্পা ঈশিংদি হৈদোকপা মতমদা জর-জর চেন্থখি অদুবু লৈবাক লৈনুংদা য়াওবা ঈশিংদি মদুমক ওইদে। মসি লৈশা শেল্লিবা মচাকশিংগা ঈশিংদুগা চিংশিন্নবগী পাঙ্গল অদুননি। ঈশিং ফংদবদগী পান্বীনা কংলবা মতম ফাওবদা লৈবাক অদুদা পান্বীনা ফংবা ঙমদবা মওংগী ঈশিংদি অদুমক য়াওরিবনি।

২) লৈনুংদা লৈরিবা ঈশিং অসি ঈশিংখকনি হায়না লৌবা লানগনি মরমদি মসিদা পোৎলম কয়া অমা তুমদুনা য়াওরি- খুদম ওইনা কেলসিঅম, ফোসফোরস, পোটাসিঅম, নাইট্রোজেন অসিনচিংবশিং লেপ্তুনা তুমদুনা য়াওদুনা পান্বীদা মতম লৈবা খিবিক্তা ফংহল্লি হায়বা য়াই।

**লৈনুংগী নুংশিৎ (গ্যাস কয়া অমা শেম্বা) :** মথক্তসু থমজখ্রে, সোইল অমগী অপূনবা ভোল্যুমগী তঙ্খায়মুক্তি চাওবা মান্নদবা, অহাঙবা , অহো-অহোবা মখুনশিং ঙাক্তনি হায়না। মসিগী অহোবা শরুকশিং অসিগী খরা-খরা ঈশিং নৎত্রগা নুংশিৎনা মেনশিল্লি। লৈবাক্তুদা ঈশিং থাজিনবা মতমদা নুংশিৎকী শরুকশিং অদুগী খরা নৎত্রগা পুল্লপ তপ্পা তপ্পা ঈশিংনা মেনশিল্লকই। মরম অসিনা সোইলগী ঈশিংগা নুংশিৎকা অনী অসি ওন্ন-তৈননা চৎলি। হায়বদি ঈশিং য়াল্লগা নুংশিৎ হন্থে, ঈশিং হন্থরগা নুংশিৎ য়ামখৎলি। অমরোমদা অমনা অমবু মেনখৎনৈ হায়বসু য়াই। ঈশিংনা অহোবা খুদিংমক মেনশিনখিবা তারগদি পান্বীগী মরানা নুংশা শ্বর হোনবা ঙমদদুনা পান্বী শিথরকই। অসুম্না মতম শাংনা ঈশিং থুমজিনবা মতমদা পান্বী হিংবা ঙমদে। মরম অসিননি দ্রেনেজ ফহনসি হায়নরিবসি। লৈবাক্তা ঈশিং চনবা নৎত্রগা নোং চুপ্ত্রবা মতুং ঈশিং চুমথখিবা/ চিথখিবা অসি অচৌবা মখুনশিং অসিদগীনি, মসিদনা হান্না নুংশিৎনা মেনশিল্লিবনি। মথংদা খরা হন্থবা মখুনশিংদগী ঈশিং চুমথখিদুনা নুংশিৎনা অসুম অসুম মেনশিল্লি। অসুম্না অফবা লৈবাক লৈহাও অমদা ঈশিং অমসুং নুংশিৎ অসি চাং চানা থমদুনা পান্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙমহল্লিবনি। অপিকপা মখুন্না নম্বা লৈবাক্তা নুংশিৎতগী ঈশিংনা হেন্দুনা নুংশিৎকী চাং ৱাৎতুনা পান্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙমদে। অসিগুম্বা লৈবাক্তা নুংশিৎ ফাওদোক ফাওজিন তৌবগী চাংসু য়াম্না হন্থে, লৈনুংদা কার্বোনদাইওক্সাইদনা হেন্না য়াওশিল্লকই। লোয়ননা ওক্সিজেন ৱাৎশিল্লক্তুনা পান্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙমদে। হায়রিবা মচলশিং অসি খরা মখৈদি লৈবাক অমদা খূৎশেমগী পাম্বৈনা শেমদোক শেমজিন তৌদুনা অফবা পান্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙম্বা লৈবাক লৈহাও ওইহনবা য়াই।

অসুম্না মথক্তা থল্লিবা সোইলগী মচাক মরি অসি অমগা অমগা নক্লবা মরী লৈনদুনা সোইল অদুগী অফ-ফত্ত মগুন ওইহল্লি। লৈনুংগী ঈশিংনা পান্বীগী হকথেংনবা তঙাইফদবশিং পীবগা লোয়ননা নুংশিৎ অমসুং পান্বীগী মচিঞ্জাক মরানা ফংবদসু মরু ওইবা থৌদাং লৌরি। অসুম্না ওর্গানিক মেটরনসু মাগী ফাজিনবা ঙম্বা মগুন্না মিনরেল মেটরশিং চাং চানা চাওবা মতুম-মতুম তাশিন্দুনা অপিকপা, ময়ায় ওইবা অমদি মরু ওইনা অচৌবা মখুনশিং শেমদুনা লৈনুংগী ঈশিংগা নুংশিৎকা অফবা মরী লৈনহন্দুনা পান্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙমহল্লিবনি। ●

পাউচে অসিদা ফোংজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।